# মুম্বাইদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা অহানবা বিদেশ ভবন শঙ্গাখ্রে

মুম্বাই, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):

এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ঙসি মুম্বাইদা লৈবাক অসিগী অহানবা বিদেশ ভবন শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না লৈঙাক পায়রকপদগী এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী অনৌবা শক্লোন অমা লৌরক্লে। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা পাসপোর্ট সেন্টর কয়ামরুম হাংদোকপা ঙম্লে।



কুমজা ২০১৪ গী মমাঙদা পাসপোর্ট সেন্টর ৭৭ খক লৈরম্মী হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা থা তরুক্কী মনুংদা অনৌবা লৈঙাক্লা পাসপোর্ট সেন্টর ২৩৫ হাংদোকপা ঙম্লে। পাসপোর্ট লৌনবা হোৎনবদা মীয়াম্না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগীদমক এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা কান্নদবা রুল কয়ামরুম চৎনহনখিদ্রে।

হান্নদি বর্থ সর্টিফিকেট লৈতবা অমসুং মমা-মপা লৈজদ্রবা মীওইশিংদা পাসপোর্ট পীরমদে। চপ মান্নবা মওংদা মতৈ-মনাও খায়নরবশিংদসু পাসপোর্ট পীরমদে। হায়রিবা রুলশিং অদু শেমদোক্তুনা মীপূম খূদিংমক্তা ইরাই-লাইনা পাসপোর্ট পীবা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী অহানবা বিদেশ ভবনদা রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস পূম্নমক পূন্না লৈহনখি হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী ওফিস মরি-রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস, প্রোটেক্টর ওফ ইম্মিগ্রেন্ট ওফিস, ব্রাঞ্চ সেক্রেটরিয়েট অমদি আই সী সী আরগী রিজনেল ওফিসপু অপূনবা ওফিস অমদা পূন্না লৈহনবা ঙম্লে।

লৈবাক অসিগী অহানবা বিদেশ ভবন শঙ্গাবগী থৌরমদুদা এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জেনরেল (রিটায়র্দ) ভি কে সিংহ, মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনবিস, য়ুনিয়ন টেরিটরি ওফ দমন এণ্ড দ্যু অমদি দদ্রা এণ্ড নগর হভেলিগী এদমিনিষ্ট্রেটর প্রফুল পটেল অমসুং অতৈ শক্লাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন ডি এনা লৈঙাক পায়রকপা চহী অহুমগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মপান লৈবাক কয়াদা অৱাবা খাঙদুনা লৈরম্বা ইন্দিয়ন ৮০,০০০ রেস্ক্যু তৌবা ঙম্লে হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, হান্নদি তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা অৱাবা খাঙদুনা লৈরম্বা ইন্দিয়নশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি ইজরেলনা রেস্ক্যু তৌরম্বনি। মমাঙদা সুস্মা স্বরাজনা মৈরা চুখৎতুনা বিদেশ ভবন শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখি। ৱারলিগী রিজনেল পাসপোর্ট ওফিস বিদেশ ভবনদা হোংদোরকখিবগা লোয়ননা থানে অমদি মুম্বাইগী রিজনেল পাসপোর্ট ওফিসশিং পূনশিনখ্রবা মতুংদা ঙসি বিদেশ ভবন শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকখিবনি।

# দেরাগী ৱাথোক : হরিয়ানাগী মহৈতম্ফম লোয়শঙ পূম্নমক ঙসি ছুটি লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):

রেপ কেসতা মরাল লৈরবা দেরা সচা সাউদাগী লূচিংবা গুরমিট রাম হরিম সিংহদা পীগদবা চৈরাক লাউথোক্কদবা নুমিৎকী মাঙওইননা হরিয়ানাগী স্কুল, কোলেজ অমদি মহৈ লোয়শঙ পূম্নমক হয়েং ছুটি থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।



পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনদবগী ওথোরিটিশিংনা পঞ্চকুলা, রোহটক, কাতিহার অমদি অম্বালাগী মহৈ লোয়শঙ পূম্নমক থোঙ লোন্নবা খঙহনখিবনি। পঞ্জাব অমদি হরিয়ানাদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম কায়হন্দনা থম্নবগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না সিনিয়র পুলিস পার্সনেলশিংগা লোয়ননা খুদোংথিবা থোরকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট অমসুং পুলিস ওফিসার ৩৬ শীজিন্নদুনা হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোক্লিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্নবা হোৎনরি। অখন্নবা সাইবর সেল অমা হাংদোক্তুনা সোসল মিদিয়াদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা পুং ২৪ চুপ্না মথৌ তৌগদবা কন্ট্রোল রুম অমসু হাংদোক্লে হায়রি।

অমরোমদা, হরিয়ানাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস বি এস সন্ধুনা হায়খ্রে মদুদি, রোহটককী জেলদা কোর্টনা গুরমিট রাম হরিম সিংহদা পীগদবা চৈরাক লাউথোক্কদবা মরম্না মফম অসিদা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। অপনবা অমত্তা থোকহন্দনা কোর্টকী থবক থৌরমশিং পায়খৎহন্নবা হোৎনরি। কোর্টকী থবক্তা অথিংবা পীনবা হোৎনরকপা পূম্নমক চপ চানা থেংনগনি। রোহটক রেঞ্জগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস নবদিব ভির্কনা সিক্যুরিটিগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা হায়খি মদুদি, দেরাগী সেন্টর পূম্নমক মপুং ফানা থিংজিনবগা লোয়ননা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা হোৎনরি।

কুরুক্ষেত্র পুলিসনা দেরা সচা সাউদাগী কোঙ্গ্রিগেসন সেন্টর মাপন সিল্ড তৌশিনখিবগা লোয়ননা গুরমিট রাম হরিম সিংহগী তুংইন্না মীওই পূম্নমক মফম অদু থাদোক্তুনা চৎহনখিবা লৈখ্রে।

পুলিসনা সেন্টর মাপন্দা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা চৈ ২,৫০০ অমসুং অতৈ খুৎলাই কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমখি। দেরা সচা সাউদাগী মীওইশিং চৎহনখ্রবা মতুংদা পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মফম পূম্নমক চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থবক চথখিবনি।।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা নাম চর্চা ঘর (কোঙ্গ্রিগেসন সেন্টর) মাপন সিল্ড তৌশিনবগা লোয়ননা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চঙহনদ্রে। মশানা মশাবু তাইবঙ মপুনি হায়না ক্লেম তৌজবা গুরমিট রাম হরিম সিংহবু পঞ্চকুলাদা ঙরাং সী বি আইগী কোর্ট অমনা রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা মফম কয়াদা হাৎনা শুনবা অমসুং মৈ থাবগী থৌদোক থোরকপদগী অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না কুরুক্ষেত্রগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিশেক গার্গনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

# ইন্দিয়া, নেপাল অমসুং বাংলাদেশকী মীওই মিলিয়ন ১৬ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরি : রিপোর্ট



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) : ইন্দিয়া, নেপাল অমদি বাংলাদেশতা মীওই মিলিয়ন ১৬ রোম ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা সাউথ এসিয়াগী মফম অয়াম্বদা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিস থোকপগী ফীভমদা লৈরে হায়না ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোস এন্দ রেদ ক্রিসেন্ট সোসাইটিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ রেদ ক্রোস এন্দ রেদ ক্রিসেন্ট সোসাইটিগী এসিয়া পেসিফিক রিজনগী দেপ্যুটি রিজনেল দিরেক্টর মার্তিন ফোলরনা হায়খি, কা হেন্না খুদোংথিবা থোরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈবা মরম্না অথুবা মতমদা মালেমগী মীয়াম্না মতেং পাংবা মথৌ তারে।

লৈবাক অহুমদা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মীওইশিং চাবা ফংদবগা লোয়ননা থক্নবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নরি। ফীভম অসি মখা তানা অদুমক চথদুনা লৈরবদি কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস থোরকপা য়াই।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঈচাউগী অৱাবা নংলবা বিহারগী মতেং পাংনবগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০ পীরগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে। মীওই চা কয়া শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই লাখ কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ লৈহনখিদ্রবা ঈচাউগী ফীভম য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা তেংবাঙগী শেনফম অসি লাউথোকখিবনি। মমাঙদা বিহারগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুশিল কুমার মোদিনা সেন্টরদা মতেং পাংবীনবা হায়জখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী ঈচাউদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ২/২ এক্স-গ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি অমসুং অশোক-অপন নংলবা মীওইশিংদনা লুপা লীশিং ৫০/৫০ পীরগনি হায়নসু লাউথোকখি।

অসামগী দিষ্ট্রিক্ট মাপন্দা লৈবা মীওই লাখ ৪.৫ ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোকশিংদা শিখিবা মীওই ১৫৬ শুখ্রে। খুঙ্গং ৬০৬ হৌজিকসু ঈশিং থুমজিন্দুনা লৈরি। ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি মীওই অমা ঈচাউগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা শিখি।

# কাশ্মীরদা সিক্যুরিটি পার্সনেল নিপান, টেররিষ্ট অনী শিখ্রে

জম্মু, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা খুৎ থোক্নবদা সিক্যুরিটি পার্সনেল নিপান অমসুং মিলিটেন্ট অনী শিখ্রে।



রিপোর্ট অমনা হায়খি, সিক্যুরিটি পার্সনেল মঙাসু অশোক-অপন নংখিবা থৌদোক অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী ওফিসার মরি অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)গী জৱান মরি শিখি।

জম্মুদগী কিলোমিটর ২৫ লাপ্পা লৈবা পুলৱামাগী পুলিস কমপ্লেক্স অমদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা নাকল অনী খুৎ থোক্নবদা সিক্যুরিটি পার্সনেল নিপান অমসুং টেররিষ্ট অনী শিখিবনি হায়না এজেন্সীগী পাউনা হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়, টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা পুলিস, সী আর পি এফ অমসুং আর্মিগী অপুনবা টিম অমনা পুলিস কমপ্লেক্সতা লৈবা মীচম পূম্নমক খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা হোন্দোকখি।

শ্রীনগরদা বেজ তৌবা ১৫ কোরগী জেনরেল ওফিসার কম্মান্দিং (জি ও সী) লেফটনেন্ট জেনরেল জে এস সন্ধুনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং লৈবা কমপ্লেক্সতা মিলিটেন্টশিংনা স্যুসাইদ এটেক চথরকখিবনি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা গুরেজ সেক্টরদা ঙমখৈ লানশিল্লকখিবা টেররিষ্ট অনী আর্মিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপা লৈখ্রে।

পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খিবনি মদুদি, আর্মিনা গুরেজগী কুন্দলৱানদা লৈবা ধুরমক উমংদা মহৌশাগী মতৌগুম থিবা হুম্বগী থবক চথরিঙৈদা ঙমখৈ মনাক নক্লা চিংনিংঙাই ওইবা থৌওং খরা থেংনখি।

পাকিষ্টানলোমদগী টেররিষ্ট খরা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরক্লে হায়বা খঙবদগী আর্মিনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনবদা টেররিষ্ট অনী শিখিবনি।

ঙরাংসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা বন্দরপোরাদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্নবদা লাস্কর-ঈ-টোইবা (এল ঈ টি)গী মকোক থোংবা লূচিংবা অয়ুব লেলহরি লৈখিদবনি।

চহী অসিগী ওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোলদা টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং ২৪ আর্মিনা মায় পাকহনখিদ্রে।

হৌখিবা মে ১৩দা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী দোদা দিষ্ট্রিক্টতা ষ্টেট পুলিসনা লাস্কর-ঈ-টোইবগী মরুওইবা লোৎফম অমা থুগাইখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী মীওই মঙা ফাগৎপা লৈখ্রে। ফারবা মীওইশিং অদুদগী পুলিসনা মশীং য়াম্লবা নোংমৈ অমদি নোংমৈ মরু কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখি।

জম্মুগী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক্তা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

ওফিসল অমনা হায়খি, পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রবা মতুংদা বি এস এফনা খুৎ হনবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম শিখিবনি।

ওফিসল অমগী ৱারোল পল্লদুনা পি টি আইগী রিপোর্টনা হায়, কাশ্মীরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈরিবা দ্যুরা খুঙ্গংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। অহানবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জরনা মোর্টার সেল কয়ামরুম দ্যুরা খুঙ্গংদা কাপশিল্লকখি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা বি এস এফকী জৱানশিংনা খুৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনবদা পাকিষ্টানি রেঞ্জর অহুম শিখিবনি হায়রি।

# ছটিসগরদা মাওইষ্ট লালহৌবা ৯ সী আর পি এফতা চঙজরকখ্রে

দান্তেৱাদা, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :

দি কে এস জেদকী মেম্বর গনেশ য়ুকে অমসুং সাউথ বাস্তার বট্টালিয়নগী মীওই অনী য়াওনা মাওইষ্ট লালহৌবা মাপন খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রে।



চঙজরকখ্রবা মাওইষ্ট মাপনগী মনুংদা তরুক্তি লুপা লাখ ২৬কী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা মীওই ঙাক্তনি। খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১৩দা পুলিস পার্সনেল ১৬ সুকমাদা হাৎখিবা নন্দ, সী আই এস এফকী পেট্রোলিং পার্টিদা এটেক চথদুনা পার্সনেল নিপান হাৎখিবা হিঙ্গ, সুকমাদা সী আর পি এফকী জৱান ১২ হাৎখিবা সুকা মদকাম, বরকপালদা সী আর পি এফকী জৱান ১২ হাৎখিবা ভিমা অমসুং চহী ৪ রোম মাওইষ্ট লালহৌদা অকনবা থৌদাং লৌদুনা লাকখিবা কোসি মন্দবি য়াওই হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, বাস্তার রেঞ্জ পুলিস অমসুং সী আর পি এফনা লৌখৎপা থৌশীল অমগী মখাদা খুৎলাই থাদোক্তুনা চঙজরকখিবা মাওইষ্ট লালহৌবশিংদা লুপা লীশিং ১০ পীবগা লোয়ননা মতুং তারকপা পূন্সিদা হিংবা ঙমজনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এপ্রিল ২৪দা খা থংবা ছতিসগরগী সুকমা রিজন্দা মাওইষ্ট লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা পেরা মিলিটরি পার্সনেল ২৬ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা তরেৎ অশোক-অপন নংখ্রে।

নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুং ১২.৪৫ তাবদা মাওইষ্টকী অকনবা মফম ওইরিবা বাস্তার এরিয়াগী পুরকপাল অমদি চিন্তাগুফাগী লোন্নবা মফম অমদা নাকল অনী খুৎ থোক্নখিবনি হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা হায়খি।

মফম অদুদা লক্ষ্মী শেঙ্গগা মরী লৈননা সী আর পি এফকী পার্সনেল ৯০না রোদ ওপনিং পার্টি (আর ও পি) দ্যুটি তৌদুনা কন্সট্রাক্সন ৱার্করশিং ঙাক শেন্নবা থৌরাং লৌখৎখি। মফম অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা লালহৌবশিংগা খুৎ থোক্নবদা সী আর পি এফকী জৱান ২৬ শিরগা তরেৎনা শোকখিবনি।

দান্তেৱাদাগী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস পি সুন্দরাজনা হায়খি, থৌদোক থোকফমদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাজিনবগা লোয়ননা অকোয়বদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা হায়খি, সী আর পি এফকী জৱানশিংনা ঙাইহাক অৱা পোথাবা ওইনা ফম্লগা লঞ্চ চারিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা এটেক চথরকখিবনি। নাকল অনী খুৎ থোক্নখিবদা মাওইষ্ট লালহৌবা মঙা শিখি।

হৌখিবা মার্চ ১১দসু মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা সুকমাদা চপ মান্নবা মওংদা সী আর পি এফকী আর ও পি অমদা এটেক চথবদা জৱান ১২ শিবা লৈখ্রবনি।

মার্চ ২২দা ছতিসগরগী বিজাপুর দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ফর্সেগর খুঙ্গংদা মাওইষ্ট লালহৌবশিংনা পুলিস কন্সটেবল অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা লৈখ্রে।

# নুমিৎ ৩০নিদা জমসেদপুরগী হোস্পিটালদা অঙাং ৫২ শিখ্রে

রাঞ্চি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :

গোরখপুরদা অঙাং কয়ামরুম শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ঝরখন্দগী জমসেদপুরদা লৈবা মহাত্মা গান্ধী মেমোরিএল মেদিকেল কোলেজ (এম জি এম) হোস্পিটালদা অঙাং ৫২ শিখ্রে।

এম জি এম হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্টনা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ ৩০গী মনুংদা মালন্যুট্রিসন্না মরম ওইরগা অঙাংশিং অদু লৈখিদবনি।

অমরোমদা, রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, হৌখিবা থা ৮গী মনুংদা স্বাইন ফ্লুনা মরম ওইরদুনা ইন্দিয়াদা মীওই ১০৯৪ শিখ্রে। হৌখিবা চয়োল অহুমগী মনুংদা মীওই ৩৪২ শিখি হায়রি।

খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা মহারাষ্ট্র অমসুং গুজরাটতা মথংশিংনা মীওই ৪৩৭ অমসুং ২৬৯ শিখি। দিল্লি, কেরলা অমদি রাজস্থাননচিংবা ষ্টেটশিংদসু স্বাইন ফ্লুনা নাবগী কেস কয়ামরুম থেংনখিবগা লোয়ননা মী শিবগী থৌদোক থোকখি হায়রি।

গোরখপুরগী লায়েংশঙ অমদা শুপ্নগী নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা অঙাং ৭০ হেন্না শিখিবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা লূচিংবা য়ু পি গভর্ণমেন্টনা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (মেদিকেল হেল্থ) অনিতা ভত্নগর জেন মফম লৌথোকপা লৈখ্রে।

চীফ সেক্রেটরি রজিব কুমারনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনখিবগী মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথতদা পীশিল্লকখ্রবা মতুংদা মকোক থোংবা ওফিসল অদু মফম লৌথোকখিবনি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না গোরখপুরগী বি আর দি মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা থোকখিবা থৌদোক অদু জেন য়াওনা ওফিসল তরুক্না শোয়বদগীনি হায়রি।



সোর্ছ অমনা হায়খি, অনিতা ভত্নগর জেননা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌরিবা মীওইশিংদা মতম চানা শেল পীখিদবা মরম্না হোস্পিটালদা মখা তানা ওক্সিজেন সপ্লাই তৌরক্তবদগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

গভর্ণমেন্টকী নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (রেভিন্যু) রজনিশ দুবেবু অহেনবা চার্জ ওইনা মেদিকেল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট পায়হনখ্রে। ইনভেষ্টিগেসন চথখিবা কম্মিটিনা বি আর দি মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. রজুব মিশ্রা, মহাক্কী লোয়নবী ডা. পুর্ণিমা সুক্লা, ডা. সতিশ, ডা. কাফিল খান অমদি অতোপ্পা মীওই অনীগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা রেকমেন্দ তৌখি।

ওফিসল রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অথুবা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা মথৌ চেকশিন্দবগীদমক এফ আই আর অমা ফাইল তৌরবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, থবক্তগী লৌথোকখ্রবা বি আর দি মেদিকেল কোলেজগী প্রিন্সিপাল অমসুং মহাক্কী লোয়নবী লোৎখিবদগী থিবা খঙখিদ্রে। ওথোরিটিনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মতৈ-মনাও লোৎখিবনি হায়রি।

# অথুবা মতমদা এ আই এ দি এম কে মোদি গভর্ণমেন্টতা য়াওরগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী) :

এ আই এ দি এম কেনা এন দি এগা খুৎশম্নদুনা অথুবা মতমদা সেন্টরগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা গভর্ণমেন্টতা য়াওরগনি হায়না বি জে পিগী সিনিয়র লীদর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোকপা পামদবা বি জে পিগী লূচিংবা অমনা হায়খি, এ আই এ দি এম কেনা এন দি এগী শরুক অমা ওইরকপগা লোয়ননা লৈঙাক পায়বদা য়াওবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। পার্টি অসিগী এম এল এ খরনা টি টি ভী দিনাকরনগী মীচং চঙদুনা চীফ মিনিষ্টর কে পলানিস্বামিগী মায়োক্তা লেপ্পা তারবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ফীভমদা অহোংবা অমত্তা লাক্লোই।



পনবা য়াবদি, পলানিস্বামি অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও পরিনসেলবমনা লূচিংবা এ আই এ দি এম কেগী ফেক্সন অনী পুনশিন্নখ্রবা মতুংদা পার্টি মনুংদা অমুক হন্না নাকপাক তান্নবগী ফীভম অমা লাকখ্রবনি। এম এল এ খরনা দিনাকরনবু পার্টিগী লূচিংবা ওইনা পুখৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা সশিকালাবু জেনরেল সেক্রেটরিগী ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিল্লকখি।

জেলদা লৈরিবা এ আই এ দি এম কেগী জেনরেল সেক্রেটরি ভী কে সশিকালাগী মমা-মপা টি টি ভী দিনাকরন শৌগৎপা পার্টিগী এম এল এশিংনা স্পিকর ধনপালবু টামিল নাদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর হাপকদবনি হায়না তকশিনবা লৈখ্রে।

এসেম্বলিগী লৈমায়দা থাজবগী ভোট লৌনবা মতমদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা ভোট পীগনি হায়খিবা লৈতে। অদুম ওইনমক কে পলানিস্বামিগী মহুত্তা স্পিকর পি ধনপালবু টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনগদবনি হায়না দিনাকরন শৌগৎপা এম এল এ, পি বেত্রিবেলনা ফোঙদোকখি।

লেজিসলেটর ২২না পার্টিগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি টি টি ভী দিনাকরনগী মায়কৈদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর ঈ পলানিস্বামিদা শৌগৎপা তোক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রেবেল এম এল এশিংনা গভর্নর সী ভী রাও উনদুনা চীফ মিনিষ্টর পলানিস্বামিগী মফমদা মখা তানা থাজবা থমদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা দি এম কেগী প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননসু অথুবা মতমদা থাজবগী ভোট লৌগদবনি হায়না তকশিনখি।

দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা গভর্নরদা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অমনা হায়খি, রুলিং পার্টিগী এম এল এ ২২ চোংথোরক্লবা মরম্না অথুবা মতমদা এসেম্বলিগী লৈমায়দা থাজবগী ভোট লৌবা মথৌ তাই। পুন্না মেম্বর ২৩৪ লৈবা টামিল নাদু এসেম্বলিদা এ আই এ দি এম কেগী এম এল এ ১৩৪ লৈরি। লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর জে জয়াললিতাগী আর কে নগর কন্সটিট্যুয়েন্সীদি হৌজিকসু হাঙদুনা অদুমক লৈরি।

DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY
MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES
We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand
B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm., B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES
BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
BAMS Ayurvedic Few SEATS
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com
HL-B/4054/4to3 Sept.